## উয়ান মথুন মৈ চাকপা
### কনাগী উয়াননো, কদাইদা চাক্তোইনো

হৌজিক ফাওবা ৱারোইশিন পুরক্ত্রিবা লানসি মে ৩, ২০২৩দগী হৌরকখিবনি। লানসিগী অরোইবা ৱাতুপ্পবা-ৱালেপ্পবা'মা পুরক্ত্রি হায়বসিগী মীৎনা শং-শং উবা খুদম-চাংদমশিং মরাং য়াম্না কায়না লৈরি। ময়ামসি লৈরিবনিনা লোইশিন্দ্রি হায়বনি। ৱারোইশিন পুরক্তবদা অমসুং ৱাহৈসি পনবদা হরাও-নুংঙাইবা নত্তে। লানবু অফ-নুংঙাইসু নত্তনা কনানা পামদোইনো? লান থোকপা অমসুং শোক্নরিবা মফমদবু কনানা লৈনীংদোইনো? লানসি থোরকপদগী ষ্টেটসিগী তোঙান-তোঙানবা মহৈশঙশিংদা মহৈ তমগদবা মহৈরোয় কয়া'মা লৈত্রবসু লৈতনা তঙাইফদবনি হায়দুনা মপানগী মহৈশঙশিংদা চৎতুনা তম্নরিবনি। লানসি হৌরক্ত্রিঙৈগী মমাঙদগী তম্নরক্লবনি। লান থোরকপদগী খক্তা তম্নবদি নত্তে। অদুবু লানসি থোরকপদগী মপানগী মহৈশঙশিংদা চৎতুনা তম্নবগী মশীং হেনগৎলক্লে হায়বনি। অচুম্বনি। লৈঙাক্কী থবক তৌবা মীওইশিং ফাওবা মণিপুরগী মপান্দা ট্রান্সফর তৌদুনা পোষ্টিং লৈবা য়াগদ্রা হায়দুনা হুমা-হুমা থিনরিবনি। হৌজিক লৈরিবশিংসিদি ষ্টেটসি মমা লৈবাক অমসুং মরমদমনি, ওন্থোক্লা নুংঙাইজখ্রে হায়দুনা কেবাক থোক্লা লৈবা নত্তে। লান থোক্তবা অমসুং শোক্নদবা মফমদা চৎতুনা লৈরুবগী মপাঙ্গল, মরল-মথুম লৈজদবদগী 'হোম স্বিট হোম', 'লোং লিভ মণিপুর', 'মণিপুর ইমানা য়াইফরে' কায়না পঙলৈ-লৈনবগী ৱানি। ৱাফম অমত্তং হৌদোক্লুবদা লানসিদা লোইনা তাইশিনবা, শেন্মীৎলোন্দা চং ফংনা শোকচিল্লক্লিবা, চাওখৎ-থৌরাংদা মনিং হল্লিবা, শেমগৎ-শাগৎত্রিবা পূন্নমকসিসু লানসিদা তাইশিল্লক্লিবা নৎত্রা? হরাও-কুম্মে অমা, ফেষ্টিবেল অমা য়েংদুনা ঙাইহাক পোত্থাগদবসু লান লোইশিন্দ্রি হায়দুনা চাক হাওনা চাখৎলকপদা মৈ খংমুৎ মুৎখিবদগী চাবা চপ লেপ্তুনা লৈবদৌনা লৈরক্লিবা ফীভমশিংসিদবু কনানা পেঞ্জরে, নুংঙাইজরেনা লৈরুগবনো? মরম অমা নৎত্রগা অমগীনেনা ইন্সোন কাংদনা জেনরেল ষ্ট্রাইক, টোটেল শটদাউন, শীন্থা লেপ্পী, মণিপুর বন্দনচিংবনা খ্বাং কোইবসিদবু কনানবু লৈনীংগনেগে? লোক্তাক পাৎ, শিরুই লিলি, সঙাইনচিংবা কোকথোং অমা লৈরবসু দোমেষ্টিক অমসুং ফোরেন টুরিষ্টশিংগী মশীং খংহন হন্থরক্লিবসিনি। খৎন-চৈনবনা মহি পুল্লাং-লাংবা ইমুংদবু কনানা চংনিংদোইনো? অদুবু পূন্নমকসি খঙগদবা লৈঙাক অমসুং ওথোরিটিশিংদদি খঙনবা, উনবা, তানবা মমিৎ অমসুং মনাকোং পান্দে। মখোয়না খঙনা তৌফম থোকপা থবকশিং মতম চানা তৌরম্লগবু ঙসি চহী ৩ ফাজিল্লক্কদৌরবা ফাওবদা মণিপুরনা ৱামৈদৌনা ওমদুনা চাক্লগা ফোং-ফোং শাবমখে লৈখিগদ্রো? তৌদে হায়বা নত্তে, তৌই। অদুবু মরু ফুক্তোক্তে, মসা-মরেং থাদুনা লৈ। লুহোং খোঙথাংদা চৎলি। ফায়র বৃগেদ তৌনা পাইশিল্লক্কদবা মখোয়না থৌদারগদা চৎপা মীনাইগী থবক খূৎশু তৌদুনা লৈ হায়বনি। মস্বাইদা লাল্লি অমসুং চুমদেগা হায়রকপা য়াওরক্কদবা ওইরবদি ঙমথোক্লবা য়ানি। পাঙ্গল শোল্লবসু য়াপঙনদা ওইরবসু মচিন-মরৈদু তৎখৈ চিকথৎপা ঙমগনি।

ওইরিবা ফীভমসিদবু রিলিফ কেম্পশিংদা ঙাকপীফম থোক্ত্রবা মরালশিং লংজরুবা ফাদোক্লুম্না থল্লক্লিবা আই দি পিশিংগীদমক্তবু কনাগী উয়ানবু কদাইদা মৈ চাক্তোইনো? চুম্মী, হোয়, ঙসিদগীনা চহী ৫০ রোমগী মমাঙদা মণিপুরগী য়ূমথোঙ খুদিংদা মরু ওইনা মীতৈশিংগী ইমুংশিংদা 'উয়ান মথুন মৈ চাকপা' গী থৌদোক অমসুং ৱাফমশিং য়াম্না ময়েক শেংনা লৈরম্মী। থবক অমগী ওইগেরা অমগী ওইগেরা ময়ূম থাদোক্তুনা লংফৈ চৎখিবদগী কুইনা হল্লক্তবা মীওইশিং লাক্লগনি, য়ৌরক্লগনি হায়বসি মহাক্কী ইমুংদা লৈহৌরিবশিংনা চাক থোংবদা উয়ান মথুন মৈ চাক্লবদি হল্লক্লগনি হায়বগী অচেৎপা থাজনবা'মা লৈরম্মী। তৌববুদি মতমদুদদি চাক চফুনা সিলভরগী নৎত্রগা অহৈবা কোন, কোর্ফু মচানচিংবা ওইনা শীজিন্নরম্লবসু এপ্প্লাং থোংনবা উয়ানদি লৈবাক্কী চফুনা ওইনরম্মী। চাক থিনবা খাবৈসু ৱাগী খাবৈ শীজিন্নরম্মী। অদুবু 'পাত্র' অমা ওইগেরা-ওইরোইরা 'উয়ান' ওইনবু শীজিন্নরবা অমসুং এপ্প্লাং থোংলিঙৈদা মথুনদা খজিক্তং ওইগেরা পরেং শানা নৎত্রগা পাক্লা চাকপা ওইগেরা মৈ চাক্লক্লবদি চথোকখিবা ইমুংদুগী মীওই হল্লক্লগনি থাজনরম্মী। মতমদুদদি হৌজিক্কী শুমাইনা খুদক্তা শক্কা-শক্কা উন্নদুনা ৱারী শাবা য়ারিবা স্মার্ট ফোনগসিদি লৈরক্কনি হায়বা ফাওবা খন্দ্রিবা মতমনি। শুপ্নতগী পোষ্ট অমসুং টেলেগ্রামগী খূত্থাংদা খক্তা ফাওনরম্মীনি। লম্বী-থোংগী ফীভমসু ঙসিগীসি নত্তে। উয়ান ওইনা শীজিন্নরমখিবদু লৈবাক্কী চফু ওইবদগী তোয়না ফেংবা য়াদবগীরা নৎত্রগা শীংনা চাক থোংবগীরা মথুনদু থাগৎলগা লৈবদগী চাকপা ওইরমগদ্রা হায়বদুদি খঙদ্রে। উয়ান মথুনবু মৈ চাক্লবদি চথোকখিবা মী হল্লক্লগনি হায়বগী চেৎখ্রবা থাজনবা লৈরম্মীনি। মসি ওইরগদি চহী ২ মখায় হেন্না মশা-মশাগী ময়ূম থাদোক্তুনা লাঞ্জেন্নরক্লিবা আই দি পিশিংসি পূন্না-শুনা ময়ূমদা হজিল্লগনি হায়বা খঙজদবা কনাগী উয়ান কদাইদা লৈরমখিগদগে? মখোয়গীদমক মৈ চাক্কদবা উয়ান লৈরমখিগদ্রা? মখোয়দি লান হৌরকপা নুমিৎ মে ৩, ২০২৩গী নুংথিল-নুমিদাংৱাইরমদগী হৌদুনা লাঞ্জেল্লকপসু য়াওই। কাংচুপ চীংখোঙগীনা থংনবা নুমিৎ মে ৪, ২০২৩গী অয়ূক পুং ১০ রোম তারকপদগী লাঞ্জেল্লকখিবনি। সেরৌ-শুগুনুগীনা মে ২৭-২৮, ২০২৩গী লোন্নবা অহিংদগীনি। অদুবু অয়াম্বদি লান হৌরকখিবা নুমিৎতগীনি। অদুবু লাঞ্জেল্লকপা মতমদা শুপ্নতগী মাঙহন্নীংদবা-পাম্মুজবা থৱায়দু খক্তমক পুরগা শেৎলি-চারিবা ফি-রোলদুগদং চেল্লকখিবনা অয়াম্বনি। অদুগা হৌজিক ফাওবা হজিনদবনা য়াল্লিবনি। মসি ওইরগদি মখোয় হল্লক্কনি খঙগদবা মখোয়গী উয়ানশিং লৈরমখিগদ্রা? লৈরম্লগনা মখোয়বু হল্লক্কনি খঙনবগীদমক চাক-এপ্প্লাং থোংলগা উয়ান মথুন মৈ চাকপনা কনানা য়েংদোইবা? খো-খোৎপা রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লগা? মসিদগী ওইরিজাৎলা, মণিপুর অমসুং য়ুনিয়ন লৈঙাক্না অরিবা চহী ওইখ্রবা কুমজা ২০২৫গী দিসেম্বর থা ফাওবগী মনুংদা থেঙ্খাং ৩লক্তা হোংজিলহল্লগনি হায়বগী থাজবা পীখ্রগা লৈত্রাম-ৱারোইচীংদা ইমুং ৬৪গী মীওই ২৫৭, তোর্বুং-ফৌগাকচাও ইখায়দা খরা অমসুং সেরৌদা খরা হজিনহনখ্রগা ঈশিং মনুংদা লৈতুম থাদবদৌনা চুপ লুপ্তুনা লৈখ্রিবদুবো হায়বা? আই দি পিশিংগী লাইবক্কীদমক থম্মোয় শোক্না নুংঙাইতে। অদুবু মথুন মৈ চাল্লক্কদবা উয়ানশিং য়ূম মৈনা তুম্না থাদোকপদা য়াওখিবা নৎত্রগা হুরাল্লগা পুখিবা, মসিগী মথক্তা খরা লাঞ্জেন্নরগা খরা লৈহৌদুনা চাক ঈশিং থোংনি হায়বসু লৈতবনিনা করম্বা মতমদা হজিল্লক্কদগে হায়বসু খঙবা ঙমদ্রে। নহানমুক মপোক্তা করম্বা নরালবু লংজরুবগীনো? নখোয়গী লাইবকসে ওন্থোক্না নোংদম থীনা তল্লকইদকো!! মথুনদা মৈ চাক্লগা চৎথোকখিবা মীওই লাক্কনি খঙনজরম্বা উয়ান ফাওবা তুম্না উৎকী মপৈ ওইনা তুমহল্লিবা, হিংচা-য়াইতম্বগী থবকসিদা মতুংদা নখূৎ তুংবুন্নরগা চগৌ য়েংলক্লিবা নখোয় পূন্নমক ইচা ওইগেরা, মীচা ওইগেরা লমশি-শিদুনা মহা শিগৈজন হায়দুনা মোংফমদা চুক শানরক্কনিকো!! নখোয় খিক্তংদি ফজমন্দে!!

## মীতৈগী পুয়া 'নিঙ্থৌলোল্ লম্পুপা'
### (নিংথৌরোল লম্বুবা)-(৬৭১)

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্তগী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা লায়থোক্লা ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্তসু নুমিৎ খুদিংগী ইথোক্তুনা ফোঙজরগনি।)

লেংকাতাঙখোঙইবু। য়েননাও তানদুনা ফাবগুম চঙনা ফারে। লাইরেল খূৎশু খূৎপায়না লালঙমঙৈদগী। সনা মিংথোল মিংহোংখিয়ে। লাইরেল মৈদিংঙু খারম খুচঙঙমপা। মৈরাও ৱাইহুইবা। হুয়েল কোংতালপা ফাবা। পোৎলাল থাংয়ৈনবা। লেংকা তাঙখোমবী লালফাবা। মসেম য়ুমচঙ লালয়ানবা। লেংকা তাঙখোংইবা লালফাবা ও হায়না মিংকৌয়ে। লাইরেল মৈদিংঙু মসেম লালঙমবা। তুবী সনা খূৎশুনখিবদি। ●

## ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯄꯨꯌꯥ 'ꯅꯤꯡꯊꯧꯂꯣꯜ ꯂꯝꯄꯨꯄꯥ'
### (ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯕꯨꯕꯥ) -(꯶꯷꯱)

(ꯄꯨꯌꯥꯒꯤ ꯑꯔꯤꯕꯥ ꯃꯌꯦꯛꯀꯤ ꯕꯥꯡꯂꯥ ꯃꯌꯦꯛꯇꯥ ꯆꯅꯝ ꯍꯦꯃꯆꯟꯗ꯭ꯔꯅꯥ ꯂꯥꯏꯊꯣꯛꯂꯥ ꯏꯊꯣꯛꯄꯥ ꯑꯁꯤ ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛꯇꯁꯨ ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ ꯏꯊꯣꯛꯇꯨꯅꯥ ꯐꯣꯡꯗꯣꯛꯂꯒꯅꯤ꯫)

ꯂꯦꯡꯀꯥꯇꯥꯡꯈꯣꯡꯏꯕꯨ꯫ ꯌꯦꯟꯅꯥꯑꯣ ꯇꯥꯟꯗꯨꯅꯥ ꯐꯥꯕꯒꯨꯝ ꯆꯉꯅꯥ ꯐꯥꯔꯦ꯫ ꯂꯥꯏꯔꯦꯜ ꯈꯨꯠꯁꯨ ꯈꯨꯠꯄꯥꯏꯅꯥ ꯂꯥꯜꯉꯝꯉꯩꯗꯒꯤ꯫ ꯁꯅꯥ ꯃꯤꯡꯊꯣꯜ ꯃꯤꯡꯍꯣꯡꯈꯤꯌꯦ꯫ ꯂꯥꯏꯔꯦꯜ ꯃꯩꯗꯤꯡꯉꯨ ꯈꯥꯔꯝ ꯈꯨꯆꯉꯉꯝꯄꯥ꯫ ꯃꯩꯔꯥꯑꯣ ꯋꯥꯏꯍꯨꯏꯕꯥ꯫ ꯍꯨꯌꯦꯜ ꯀꯣꯡꯇꯥꯜꯄꯥ ꯐꯥꯕꯥ꯫ ꯄꯣꯠꯂꯥꯜ ꯊꯥꯡꯌꯩꯅꯕꯥ꯫ ꯂꯦꯡꯀꯥ ꯇꯥꯡꯈꯣꯝꯕꯤ ꯂꯥꯜꯐꯥꯕꯥ꯫ ꯃꯁꯦꯝ ꯌꯨꯝꯆꯉ ꯂꯥꯜꯌꯥꯅꯕꯥ꯫ ꯂꯦꯡꯀꯥ ꯇꯥꯡꯈꯣꯡꯏꯕꯥ ꯂꯥꯜꯐꯥꯕꯥ ꯑꯣ ꯍꯥꯌꯅꯥ ꯃꯤꯡꯀꯧꯌꯦ꯫ ꯂꯥꯏꯔꯦꯜ ꯃꯩꯗꯤꯡꯉꯨ ꯃꯁꯦꯝ ꯂꯥꯜꯉꯝꯕꯥ꯫ ꯇꯨꯕꯤ ꯁꯅꯥ ꯈꯨꯠꯁꯨꯅꯈꯤꯕꯗꯤ꯫ ●

# ফাইরেন থা লাক্লে, তরা চৎপী-কুন চৎপী থিবদা হুমাং কাংলনি



মতম মতমগী ৱাফম

**সেঞ্জম দেবেন**

হয়েং-হংচিৎতা ঙাইরে ফাইরেল থা য়ৌরক্কদবা, চহী খুদিংগী হেনগৎলক্লিবা মীতৈশিংগী লুহোংবগী থৌরম পরেং, কুমসিনা হাক্কুমদগী অমুক্কসু শোয়দনা মশীং হেনগৎলবসু য়াই। লুহোং-পান্থা ওইরিবা মীতৈশিংগী ফাইরেল থানা য়ৌরকপগা ইরোয়ননা পূক্লিংদা ফাওরিবা খঙতন-তনবগী থৌদৌসি অতৈ করিসু নত্তে, হৌজিক্তগী হৌনা পরেং লেংদুনা লৈরবা লুহোংবগী থৌরমশিংসিদা নত্তনা নাহুৎ-নারেং তম্বগী থৌরমশিংসু য়াওনা, ঈশৈ পালা অমদি ভাবকশিংদা থাননবা তরা চৎপী নৎত্রগা কুন চৎপীগী শেল অচোইবা থিবগী থৌদৌসিনি। থিদ্রে থানীংঙাই লৈরোই, থাদ্রে মীয়াম মাঙদা ইশাগী ইকায়খুম্নবা ময়েং তাগনি, চৎনবী অমা ওইনা লৈখ্রবা লমদমনি। থৌদৌসি মমাঙদগী হৌনা চত্থরকখ্রবা খূৎলং-লমনসু লৈনরিবনি। হায়সু হায়বনি লমদমসিগী মমাঙদা ফম্বা ভাবক কাঙবুশিংদা শেল থাবগী চৎনবীসি মীয়াম্নসু য়াম্না কন্না ঙাঙনরে, থৌদৌসি তশেংনা থাদোকপা ঙমদবা চৎনবী অমা ওইদুনা লৈরে। অরৈবনা অরৈবগীনি, লৈতবনা লৈতবগীনি হায়বা য়াবা থৌদৌসু ওইদে। ঐখোয়না চৎনরিবা থৌদৌসি লানগনি। থৌদৌসি ঐখোয়না চৎনবী ওলহনখ্রবসু হৌজিক্তা ৱাখল তানরবা মতমসিদদি চৎনদনবা হোৎনবনা চুমগনি। অতৈগী ৱা নত্তনা, মতমসিদা মণিপুরগী মীতৈশিং থৌদৌসিগীদমক শেল অচোইবা থিনবদা থবক অমমম ওইনরবনি অমসুং থিবদা অসুক্কী মতিকসু ৱানরবনি। হৌজিক্কানদি থৌদোক থোকফমদা অচোইবা কায়বগী থৌদৌসু অৱাবা ওইনরক্লবনি। পূন্নমকসি, ঐখোয়গী ইরমদমসিদা শেল অচোইবা মরাং কায়না ফংনরক্তবদগী থোক্লিবনি। অদুম ওইনমক হায়বগী ৱানি, থৌদৌসি মুত্থৎলসি হায়রগসু পাক হেক্তা মুত্থৎপদি ঙম্নদ্রি।

মণিপুরদা শেল অচোইবা ফংনদবগী মতাংদদি তঙাইফদনা ইরমদমসিগী বেঙ্কতা থবক তৌবীরিবা ইচিন-ইনাওশিংসিনা খরা হেন্না চাউনা দায়ত্ব পুফম থোকই। ইন্দিয়াগী শেল পুন্বসি রিজার্ভ বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়ানা নম্বনি অমসুং ইন্দিয়াগী ষ্টেট খুদিংমক্তা রিজার্ভ বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়াগী মখূত্তগী নল্লিবা অহনবা শেলশিংদু য়ৌহল্লকপনি। ৱাফমসি ইন্দিয়াগী মীয়াম পূম্বনা খঙনরিবা ৱাফম্নি। ইন্দিয়াগী ষ্টেট অতৈগা মান্নদবা মওংদা মণিপুরদা তঙাইফদনা তরা চৎপী-কুন চৎপীশিংগী শীজিন্নফম তোঙানবা খরা লৈ হায়বসি বেঙ্কতা থবক তৌরিবা ইরমদমসিগী এমপ্লোয়ী ইচিন-ইনাওশিংনসু শোয়দনা খঙবীরিবনি। অসুম্না ৱাখল্লোনসি খরদংদা ওইরসু ফাওবীদুনা মণিপুরদা লৈরিবা এক্রেদিটেদ বেঙ্কশিংসিনা রিজার্ভ বেঙ্কতগী শেল লৌবীরকপা মতমদা, লমদমসিগী ওইনদি তরা চৎপী, কুন চৎপীশিং খরা য়াম্না লৌহঞ্জনীংই হায়বা ৱাফমসি থম্নীংই। থাদোক-থাজিন অমদি পুথোক-পুশিনগী এক্সপেন্দিচরদা শেল খরা হেন্না চঙই হায়বগী ৱাফম্বুদি তঙাইফদনা লৈরমগনি। অদুম ওইনমক, থৌদৌসি নত্তনদি মণিপুরদা শেল অচোইবা খজিক-খরা মরাঙ কায়না ফংহন্নবগী অতোপ্পা লম্বীশিংদি থোইদোক্লা লৈগনি থাজদে। অতোপ্পা ৱাফম অমনা, খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা পর্সেন্টেজ লৌরগা রিজার্ভ বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়াদগী সেরিএল কায়দনা লাকপা অহনবা তরা চৎপী-কুন চৎপীগী পেকেটশিং য়োনবা থেংনরিবসি মতৌ করম্না অমসুং কদাইদগী লৌরগা নুমিৎ খুদিংগী কৈথেলদা লেপ্তুনা য়োনবা ঙল্লিবনো? ৱাফমসিসু অঙকপা অমদি ওইরি। হায়রিবা বিজিনেস মখলসি মরম চানা চত্থরিব্রা নৎত্রগা চাদনা তৌরিব্রা হায়বসিসু ইরমদমসিগী মীয়ামসিনা খঙনবা পোৎ নত্তে। অসুম্না, অহনবা লুপা তরা চৎপী অমদি কুন চৎপীশিং য়োনবগী থৌদৌসিনা তাক্লিবসি, তশেং-তশেংনা ইরমদমসিদা হায়রিবা শেল অচোইবা মখলশিংসি মরাং কায়না ফংদে হায়বা ৱাফমসিনি।

অসুম্না, মণিপুরদা লুপা তরা চৎপী অমদি কুন চৎপীগী দিমান্দ হেনগৎলক্লিবসি মতমসিগী থৌদোক-ৱাথোকশিংদা মমাঙদা ফম্বা ভাবকশিং য়াওনা শেল থাবগী চৎনবী হেনগৎলকপননি হায়না কন্না খন্নরিঙৈ তাঞ্জাসিদা লমদমসিগী চহী লৈশিল্লক্লবা অহল শীংদা চনবা য়ারক্লবা মীওই কয়ামুকসু ভাবক্কীদমক লমজেল তান্নবগী থৌদৌশিংদা থৱায় য়াওনা চঙশিন্নরকপা লেপ্পা লৈত্রি। ইন্দিয়াদা মীয়াম হুপ্না শেল থাবা হায়বসি তশেংনা অরানবা থৌদৌ অমনি। ভাবক ওইনা ফমদুনা ঈশৈ তারিবা অমদি পুঙ চোলোম য়েংলিবা মীশক অমগা পুঙ চোলোমদবু তৌরিবা নৎত্রগা ঈশৈদবু শক্লিবা মীশকশিংদুগা চপ মান্ননা শেল ফংবা হায়বসিবু অচুম্বা থৌদৌ অমনি হায়না লৌবা য়ারিব্রা? ভাবক্কীদমক ওইনদি শুপ্নগী য়ূম্বুদু খক্তনা তৌজফম থোকই। অদুবু, ফনা হায়দুনসু হান্না চৎনরুরবা থৌদৌ অমা ওইবনিনা হৌজিক্কী মতমসিদা য়ূম্বু অমত্তনসু ভাবক্তা ময়াম চঙদুনা শেল থাবগী থবকসি খক তোকহনবা তৌনদ্রি। থৌদৌসি কনাগুম্বা অতোপ্পা থর্দ পার্টি অমনা নমদুনা থিংলকপা ওইরগদি নোংমা নৎত্রগা নোংমা শোয়দনা ঙম্লকপসু য়াই। মরমসিনা হীরমসিদা খ্বাইদগী ফবা পাম্বৈদি ৱাখল তারবা লৈকায়গী ক্লবশিংনা লৈকায়গী থৌদোক থোকফমশিংদা চঙলগা 'ভাবক্তা শেল থাবীগনু' হায়দুনা শোন্নপুঙ মখোঙদা ক্লবকী মমিং থারগা চে অমমম হেক-হেক থেৎচিনবগী থৌদৌসিনা শোয়দনমক্কী ওইগনি খল্লি। অসিগুম্বা থৌদৌসিমক নত্তনদি খুন্নাইসিদা ভাবক্তা শেল থাবগী চৎনবীসি খক থিংবা ঙমগদৌবা মান্দে। ৱাফম অমনা, ঈশৈদা শেল থাবগী থবকসি শুপ্নগী মীতৈ ঐখোয়গী খুন্নাইসি খক্তদা চৎনরিব্রা হায়বসিসু অমুক্তং ময়েক শেংনা খঙদোকপসু চুম্বা জাৎনি। অদুমকপু ফনা ওইদুনসু ইশাগী ফূরুপসিগী চৎনবী অমা ওইনা ঐখোয়না পোল্লকঙৈদগী হৌনা অদুম্মক মীতৈশিংনা ঈশৈদা শেল থাবা হায়বসিদি তৌনরকই। তৌইগুম্বসুং ভাবক্তা ওইনা থাবসিদি তৌনীংদে।

মীতৈশিংনা ফাইরেল থাদা পাঙথোক্লরিবা লুহোং-কৈহোংবা অমদি নাহুৎ-নারেংনচিংবগী থৌদৌশিংসি অয়াম্বনা মান্ন-মান্নবা নুমিৎশিংদদা পাঙথোক্লবসিনসু অয়াম্বা হায়রিবা নুমিৎশিংসিদা ইরমদমসিদা ঈশৈ শকপশিং অমদি ভাবক্তা থানবা শেল অচোইবশিংসি থিনবদা অৱাবা ওইনরিবনি। সিসু হীরমসিদা খঙ হৈরবা ইরমদমসিগী ওজাশিং ময়াম অমনা লেপ্পীবা লুহোং-কৈহোংবা অমদি নাহুৎ-নারেংনচিংবগী অফবা নুমিৎশিংনি। হায়রিবা অফবা নুমিৎশিংসিসু মীরমদমগী লাইরিক্তা পীবা অফবা নুমিৎশিংদু য়েংলগা পীবীবা ঙাক্তনি। হীরমসিদা য়েংনবা ঐখোয় মীতৈশিংগী ওইবা লাইরিক্তি অমত্তা লৈতবা মাল্লি। হৌখিবা কুমজা ২০২৫দসু চহী অমগী ৱাকচীংগী ১২নি পানবা নুমিত্তা শুপ্নগী অমুক-অমুক খক্তমক পাঙথোক্তুনা লাকপা ইমোইনু ইমা ইবেম্মগী ঈরাৎ-থৌনি থৌরমদু চহীদুদদি ৱাকচীংগী ১২নি পানবা অনী লৈরমদুনা অনীরক থোক্লা পাঙথোকখি। মীতৈগী থাপালোনদা চহী অমা হায়বসি নুমিৎ মশীং কয়ানা শারিবনো খঙদে। মীতৈ ঐখোয়গী হীরম কয়ামুক্তা চয়েৎনবগী থবকসিদি খক লোইবা নাইদ্রি। য়াম্না ৱাৎখিগদবসু মাল্লি। মতম অমদা ইশাগী ইরোলদা থোঞ্জরম্বা কংলৈপাক নৎত্রগা মৈত্রবাক হায়বা ইরৈবাক-ইরমদমসিগী মিং মাঙখিদুনা ঙসিদি মীরোলদা থোনবা মিং, মণিপুর হায়না কৌনরিবসিনি। মীতৈশিংনা য়েলহৌরকঙৈদগী হৌনা ইমানা-ইপানা তম্বীরকপা ইমারোলসিগী মিংসু মতম অমদা ইরোলদা মীতৈলোল হায়না খঙনরম্বদু, ঙসিদি ইরমদমসিগী অখঙ অহৈশিং য়াম্লক্লবনিনা মীরোলদা মণিপুরী হায়না কৌনরিবসিনি। তঙাইফদনা মরু ওইবা খরসিদি খুদক্তগী হৌনা চুমথোকপীয়ু নৎত্রগা ওন্থোকপীয়ু হায়না ঐখোয়না ইন্দিয়া লৈঙাক্তা তকশিনফম থোক্তব্রা? অসুম্না অরান অহুই পূন্নমকসিনা ঐখোয়বু হীরম খুদিংমক্তা অমগা-অমগা অমত্তসু মরী শম্নহন্দ্রে। ঐখোয় হৌজিক কৈদৌগদগে?

ফাইরেল থা লাকপসিদা লুহোং-কৈহোংবা অমদি নাহুৎ-নারেং তম্বগী থা ওইবনা ভাবক্তা অমদি শক শোল্লিবা কাঙবুশিংদা থানবা শেল অচোইবশিং কদাইদগী লৌরুগদগে খল্লুবদা ৱারী ময়াম অমা মথং-মথং কোকসিদা নীংশিংহল্লকখ্রে। ঐনা অসুক ৱানা থিনবা হোৎনরিবা শেল অচোইবশিংসিবু খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা মপুল-মপুল, সিরিএল কায়দবা অহনবা ওইনা য়োল্লিবসিবু কদাইদগীনো খল্লুবদা, কনাগী করি, কনাগী কৈনো, মনীং-ময়া, য়েন্নখা-লুখা পূন্নমক ৱাখলনা পঙচিংদা চিংশিন্দুনা ইমিৎসিনা লোইনা উরুরে। মখা তাবসিদি হৌজিক তরা চৎপী-কুন চৎপীগী অচোইবা খরা কনাদা লৈবগে হায়বদু মোবাইল ফোনদা মথং-মথং কোল তৌরগা অমুক হংবা তারেদনা। ●

# খোঙউপ লোনবগী তাইবঙদা মূক্তামনি পদ্মশ্রী -৭



শিন্নাইশঙগী ইৱাই-ইনিল

**ডা. লাইশ্রম ইমোবা**

পীক্লবা, কূপ্লবা কলম মচিনসিনা লৈবাক্কী থাক্তা ফিদা ফংলবী খূৎহৈবী অমগী হৌরকঙৈগী ৱারীবু খোরি লাংগনি হোৎনরুরিবসি অকিবা ফাওরকই। হৈজ-শিংজবা ৱাৎপগীসু মওইরমগনি। খঙদবা হৈতবা হায়বসিমক্তবু খূৎ থারুরবা মতুংদতা খঙলকই হায়বদুনি। অদুগীবুদি ইপা-ইপুশিংনা হায়নরম্বা অমসু লৈরি "খোঙলগা খঙননি"। খোঙবা ঙল্লরোইদ্রা নৎত্রগা খোনগাই য়াওরক্কদ্রা থরক হুনগৎচৈ। মরমদি মশক নাইবশিংগী মতিক মগুণ শৈথাবসিমক্তবু খজিক শোয়বদা নম য়োনবা ওইনা থোক্লিংঙাইনি। অথোইবা লাইনিংথৌ-লাইরেম্মগী মতীক মগুণ শৈথাবা, লাইশোন-তীনশোন্দা ফাওবা মথং-মনাও কায়বখক্তনা অফবা মহয় ফংবগী মহুত্তা তেনবান্দুনা তিন্থুং-লাইথুংদুম পকই, অনা লোয়চেন্নে হায়না অহলশিংনা তাকপীখিবা লৈখি। অমরোমদা তোল্লবগী ইফমদদি তাইবঙপানসিদা ফিদা কনবা ঙল্লবা/ঙল্লবী খূৎহৈবা আর্টিষানশিং অসি লাইগী ঙমথংনি হায়না লৌজবনি, শোয়রকপা লাল্লকপদা ঙাকপীসনু।

লমদমসিগী আর্টিষানশিংগী হৌরকপা লন্নাই পূন্সিগী লাঞ্জংদা অমনসু-অমনসু শুকশোয় শোয়দনা মায়োক্নগনবসি পোৎচাক (রোমেটেরিএল) লৈননবা, ইনফ্রা ষ্ট্রকচর লাংখৎনবা শেল্লেপ-শেনবুন পুথোকপা ঙমদবসিনি। মসিমক পদ্মশ্রী মুক্তামনিদসু থোকখি। অদুবু মহাক হোৎনদবদি নত্তে। মী খ্বাইনা লৌনৈ হায়দুনা দিষ্ট্রিক্ট ইন্দষ্ট্রিজ সেক্টরদগী লোন লৌজগে হায়না হোৎনখি। মদুগীদমক লন্নাই ফার্ম অমগী রেজিষ্টর তৌদবা য়াদে হায়নৈ হায়বদগী "ৱুল নিট্টিং" হায়বা অমা রেজিষ্টর তৌখি। মহাক মেছিন শীজিন্নদুনা ৱুল নিট্টিংগী থবকসু হৈ। অদুবু পাল্লিবদি খোঙউপ লোনবগীনিনা মাগী ওইনা ইনৌ নৌনা 'মুক্তা নিট্টেদ শু ইন্দষ্ট্রি' হায়দুনা রেজিষ্টর তৌখি। মতমদুদা ককচীংগীসু দিষ্ট্রিক্ট ইন্দষ্ট্রিজ ওফিস অসি থৌবালগী অসিদা ওইরম্মী। মতমদুগী লোয়শঙদুগী ওফিসরশিংনা মহাক্কী পোথোকশিং অদু পুথোক্তুনা মেলা অমদা উৎলু হায়না পাউতাক পীরকখি।

হেন্দলুম অমদি হেন্দিক্রাফ্টকী মেলা হায়বসিমক্তবু খূৎনাইবা খূৎশা হৈবশিংনা মানা-মানা শাজবা পোথোকশিং য়োনবনি। য়োন্নবা হোৎনবনি। অদুবু মহাক্কী ওইনদি মথন্তনা লোনবগা ওইবনিনা চবুন ওইনা পুথোক্তুনা য়োন্নবা লৈবা নত্তে। অরোনবশিং লীশিন-পৈশিন্দুনা থম্বসু ঙম্বা নত্তে। অদুবু অরৈবা খরদংদা ওইরবসু উপু মচা অমদা 'য়োন্নবা নত্তে' (নোট ফোর সেল) হায়না ইবা চে থেৎলগা মীয়ামদা উৎহৌনবা হোৎনৌ হায়না তাকপীরকপদগী মহাক লাইবক য়েংলগে হায়না লেপখি। অসুম্না কুমজা ১৯৯০দা ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা ইন্দষ্ট্রিজ অমদি এম্মিয়ানা পূন্না শিনবা মেলা অমদা শরুক য়াখি। চাউখ্রবা মেলা অদুদা হাংনরিবা চাউর-চাউরবা ষ্টোল, মখল মখা কয়াগী পোথোক মপৈ-মপৈ থেন্দুনা থম্নরিবশিং অদুগী মরক্তা কা মচা অমখক্তা মুক্তা নিট্টেদ শু ইন্দষ্ট্রি হায়না থাবা বেন্নর অমগী মখাদা মহাক্না লোনজবা তোঙান-তোঙানবা সাইজদা খোঙউপ জুরা ১৬ খক থেন্দুনা থল্লগা মদোম ফমখি। 'য়োন্নবা নত্তে' হায়নসু থাখি।

মেলা অদুনা মুক্তামনিগী ওইনদি মহাক্কী শিল্পা অসিগী য়াকাইরোল ওইনা থোকখি। মহাক্না শুপখন খল্লুদবা ফীভম অমা থোকখি। য়োনবসু নত্তবদা য়েঙবীবা মীনা কৃক-কৃক ইন্নখি। মতমদুদা ইন্দষ্ট্রিজগী মিনিষ্টরসি হোলখোমাং হাওকিপনা ওইরম্মী। ইন্দষ্ট্রিজগী ডাইরেক্টরনা



মপাল কাংজৈবুংদা অহানবা উৎখিবা মুক্তামনিগী অরোনবা খোঙউপশিং

কে কে ছেত্রি, মনিদকোগী য়াওনা ওফিসরনি হায়বা ময়াম অমা মহাক্কী ষ্টোলদুদা ওমশিন্দুনা খোঙউপশিংদু পায়-পায়দুনা য়াম্না ঙকপগা লোয়ননা য়েঙনখিবগা লোয়ননা মহাকপু য়াম্না থাগৎপীরমখি। য়োন্নবা নত্তে হায়না হায়না মিনিষ্টর হোলখোমাঙনদি খোঙউপ জুরা অমদি অদুম লৈখ্রে। মনিদকোগী মায়কৈদগী লুপা লাখ অহুমলোমগী প্রোজেক্ট শারগা থাগৎলকউ হায়বীরমখি। ইন্দষ্ট্রিজগী ডাইরেক্টর, মিনিষ্টরখোয়না থবক অসি মী অমগী পূন্সি চূপ্পা শাগোন্নবা য়াবা শিনফম অমনি, ইথন্তনা শুবনা পোথোক য়াম্না পুথোকপা ঙল্লোই, লৈকায়গী নহাশিং খোমজিল্লগা নীংথিনা তম্বীয়ু, মখোয়গী মায়কৈদগী পাঙবা য়াবা মতেং পাঙগনি হায়নসু তাকপীরমখি।

পোৎ শুকয়োন য়োন্দনা খোঙউপ জুরা ১৫ খক থেন্দুনা থম্বা মাগী ষ্টোল অদুদা য়েংবীনবা মী হাঙখিদে। থৌওংদো মহাক পুমঙক ঙকখি। মহাক্না য়াম্না থাজরুদবা থৌদোক অমনা রেদিওগী মীনি হায়বা মখোয় অমা/অনী লাক্তুনা ৱারী শাজগে, রেদিওদা থাদোক্লবনি হায়রখিবদুনি। মখোয়গী মরক্তা মুক্তামনিগী মখূৎ পায়দুনা য়েংবা ফাওবা য়াওখি। লাইগী শক্তি চেনবা খূৎনি হায়না ফাওবা থাগৎপীবদা নত্তনা লাইবক কৎপীবা ফাওবা য়াওখি। মতৌ অসুম্না মুক্তামনিগী কোচিনা লোনবা খোঙউপকী ৱারী লৈবাক শরা শনবা হায়বদু থোকখি। করি তৌগদবনো, করম্বা খোঙথাং থাংগদবনো হায়বা খঙদনা মহাক পুমঙাও ঙাওখি। মশাগী চথোক-চৎশিনগী গাড়ী অতোংমল তিংলিবনি। অদুগা য়োন্দবা পোৎ থেন্দুনা থম্বখক ওইবনিনা লুপা অমা ফাওবা ফংদনা মেলা অদো লোইবা ফাওবা শরুক য়াখি। মীয়াম্না হংলকপা ৱাহংগী পাউখুম পীবদা চোকথখি। অদুবু মহাক শুকশোয় শোয়দনা মরৈকায়গী মরোয়-মনাওশিং খরা তাশিন্দুনা তম্বীরগা শিল্পা অসি ওইনবা হোৎনরগে হায়নদি খনখি। মহাক্কী পোথোক অসি মীয়াম্না তশেংনা পাম্নরে হায়বদুমদি মেলা অদুদা খঙবা ঙল্লকখি। মসিনা মহাক্কী শেন্দোং ওইরে। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।